ৱায়েল কাতি
WAYEL KATI
Evening Newspaper

Vol. 1, Issue 158 | RNI NO. MNMAN/25/A1111 | মালিয়াফম পালচা কুমশিং-৩৪২৩-২৪ | ইম্ফাল, হিয়াঙ্গৈগী ৩০ (থাশি) নি পানবা, শগোলশেল নবেম্বর ২০, ২০২৫ ইং | মমল লুপা ২।-

# সঙাই ফেষ্টিভেল হৌদ্রিঙৌদা ঈ–নাই তান্নবগী থৌদোক থোকপা হৌরে

## পুলিসনা ফুবা, টিয়র গ্যাস কাপ্পদা খোঙজং চঙশিনবদা য়াওবা ২ শোক্লে, কোকোমিগী থৌমী ২ ফাজিনখ্রে






**ইম্ফাল নবেম্বর ২০(ৱায়েল কাতি)ঃ** মণিপুরদা হৌখিবা কুমজা ২০২৩ গী মে ৩দগী হৌরগা থোক্লিবা ঈরাং অসিগী মতুংদা অহানবা ওইনা হয়েংদগী সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোক্নবা লৈঙাক্না থৌরাং তৌরিবা অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা ঙসি কোকোমি অমদি আই দি পিশিংনা সঙাই ফেষ্টিভেল গী মেইন ভেন্যু ওইরিবা হপ্তা কাংজৈবুংদা থোমজিল্লকপদগী চাউনা ঈরাং থোকখ্রে। পুলিসনা টিয়র গ্যাস কাপ্পদা অশোক–অপন য়াওখ্রে।

মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাং অসি মপুং ফানা লোইশিন্দুনা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিং মশা মশাগী ময়ুমদা হঞ্জিন্দ্রিফাওবা অমদি নেস্নেল হায়ৱেশিংদা মীয়াম্না মনিং তম্না চৎথোক চৎশিন তৌবা য়াদ্রিফাওবা সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোকপা য়ারোই হায়দুনা কোকোমি অমদি তোঙান তোঙানবা লূপ কয়ানা বোইকোদ তৌদুনা লাকখিবনি। অদুম ওইনমক লৈঙাক্কী মায়কৈদগীদি ফেষ্টিভেল অসিবু পাঙথোক্নবগীদমক হপ্তা কাংজৈবুং, খুমন লম্পাকনচিংবা মফমশিংদা অকনবা মওংদা শেমগৎ–শাগৎপতা নত্তনা ইম্ফালগী মরু ওইবা লম্বীশিংদা মৈ থান্দুনা কে–মৌবগী থবকসু চথ্দুনা লৈরিবনি।

ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২ঃ৩০ রোম তারকপদা অদুৱাইদা কোকোমি, কোকোমি ৱুমেন ৱিং, কোকোমি ষ্টুদেন্টস ৱিং অমদি রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মশিং য়াম্লবা আই দি পিশিংনা মায়কৈ কয়াদগী হপ্তা কাংজৈবুং তম্না থোমজিল্লকখি। লোয়নননা থৌরম পাঙথোকফমগী মেইন গেটমক্তদা ফমজিন্দুনা খোল্লাও কয়ারুম লাওখি। খোঙজংলোইশিং অদুনা ঐখোয় হিংবগী হক হান্না পীয়ু, টুরিজম কোন্না তৌসি, মণিপুর মীয়াম্না সঙাই ফেষ্টিভেল পামদে, য়ুমদা হঞ্জিনহনবীয়ু, হিংবগী হক্কা ফেষ্টিভেলগা মন্তিক্নবা য়ারোই। আই দি পিশিংগী পুন্সিগী মমল খঙঙু হায়বনচিংবা খোল্লাও কয়া লাওখি। খোঙজংলোইশিং অদুগী মশিং তপ্পা তপ্পা য়ামখৎলকপদগী মীয়াম অদুবু কন্ট্রোল তৌনবা পুলিসনা লাঠি চার্জ তৌবা হৌখি। মদুদগী খোঙজংলোইশিংগী মায়কৈদগীসু মুক্নরকপদগী টিয়র গ্যাস কাপ্পুনা তানখায়খি। পুরৈরোম্বা খোঙনাংমখোঙগী সিতি কনভেন্সন মমাঙদসু মশিং য়াম্লবা খোঙজংলোইশিংনা হপ্তা কাংজৈবুং তম্না চঙশিন্নবা হোৎনবদা পুলিসকা চাউনা মুক্নবদগী মায়কৈ অদোমদসু টিয়র গ্যাস কাপ্পুনা ঈরাং লাকশিন্নবা হোৎনখি। পুলিসনা টিয়র গ্যাস কাপ্পদা ৱান্থরকপদগী মহৈরোই নুপামচা অমগা, নুপীমচা অমগা জেনিমসতা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। অদুমকপু মখোয় অনিমক খুদোংথিনিংঙাই ওইদ্রে হায়রি।

মরক অসিদা, খোঙজং চঙশিনবদা য়াওবা কোকোমিগী মেদিয়া কোওর্দিনেটর লাইখুরাম জয়েন্ত, কোকোমিগী একজিক্যুটিভ মেম্বর এসঐচ দেবদত্তা য়াওনা খোঙজংলোই খরা মফম অসিদগী লৌখৎতুনা পুখি।

অমরোমদা, ইন্টরনেলি দিসপ্লেস পার্সনশিংনা চঙজফম লৌরগা লৈরিবা রিলিফ কেম্পশিংগী মমাঙদা আই দি পিশিংনা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে। ৱাকৎ মীফম মীফমশিং অদুদা আই দি পি কয়ামরুমনা শরুক য়াদুনা সঙাই ফেষ্টিভেল, বোইকোদ তৌই হায়রি।

### সঙাই ফেষ্টিভেল য়াওরোই হায়না গভর্নরদা তাখৎলম্লগা সুসিন্দ্রো মপান্দা চৎখ্রে



**ইম্ফাল নবেম্বর ২০ (ৱায়েল কাতি)ঃ** হন্দক্তা মণিপুরগী গভর্নরনা হান্নগী চিফ মিনিষ্টর এন বিরেন, মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি টিঐচ সৈত্যব্রত্তা য়াওনা উন্নবদা সঙাই ফেষ্টিভেল মপুং ফাহন্নবা মতেং নীরকপদা খুরাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এমএলএ লৈশাংথেম সুসিন্দ্রোদি গভর্নরদা সঙাই ফেষ্টিভেল য়াওবা ঙম্লোই হায়না তপ তানা তাখৎলম্লগা মণিপুরগী মপান্দা চৎখ্রে।

গভর্নরনা এম এল এশিং কৌরগা কোকোমি অমদি আই দি পিশিংগী মপুক্লিং ফাননবা ৱাফম কয়ামরুম ফোঙদোরকখি। অদুবু খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা এম এল এশিংনা মতম য়াম্না তেনবা অমসুং হৌজিক্কী মতমদা সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোকপা পামদবা মী ময়াম য়াওবনিনা মখোয়বু তাইনবদা অৱাবা ওইগনি হায়দুনা য়াম্না কন্না এম এল এ খরনা গভর্নরদা ফোঙদোকখি। এম এল এ সুসিন্দ্রোনা শাওনা ৱা ঙাংবদুদা গভর্নরনা তপথনবা খঙহনখি হায়রি।

## লিয়াংমাই কৈথেল

**ইম্ফাল নবেম্বর ২০ (ৱায়েল কাতি)ঃ** সিকো ক্লব, য়াইস্কুল জন্মস্থাননা শীন্দুনা হিচম য়াইচম পাৎ মনাক্তা ঙসি ইম্ফাল লিয়াংমাই কৈথেল ফমখ্রে। লিয়াংমাইগী ইমা ইবেলশিংনা চীংদা থাবা মনা মশিং কয়া ইম্ফালদা লৈরিবা মীওইশিংদা ফংহন্নবগী পান্দমদা সিকো ক্লবকা খুৎশম্নরগা ফমখিবা কৈথেল অদুদা মফম কয়াদগী লাকপা মীওই কয়ানা ইঙ্খাং নাপী লৈনখি হায়রি।

## খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

**ইম্ফাল নবেম্বর ২০ (ৱায়েল কাতি)ঃ** খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা মনা মশিং য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়ামরুম য়োল্লিবী ইমাশিংনা সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোকপা য়ারোই হায়বা খোল্লাও লাওরদুনা কৈথেল অসিগী মমাঙদা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে। মীয়াম পুন্নমক খম থেংনা ৱানরিঙৈ অমসুং চৎথোক চৎশিন তৌবদা অপনবা কয়ামরুম থোক্লিঙৈ অমসুং আই দি পিশিং ময়ুমদা হলহনবা ঙমদ্রিঙৈগী চৈরক অসিদা সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোক্তুনা নুংঙাইথোকপা মতম নত্তে হায়না ইমাশিংনা লাও–খোংখি।

## থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে

**ইম্ফাল নবেম্বর ২০ (ৱায়েল কাতি)ঃ** নিটিশ কুমারনা ১০রক শুবা ওইনা বিহারগী চিফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখিবদা জনতা দল য়ুনাইটেদ, মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট ক্ষেত্রিময়ুম বিরেন সিংহনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। মণিপুরদগী জে দি (য়ু)গী টিম অমা অথুবা মতমদা বিহারদা চৎতুনা নিটিশ কুমারদা হকথেংননা থাগৎপগী পাউজেল পীরুগনি হায়না চেরোল অমনা হায়রি।

## লিগেল রাইট

**ইম্ফাল নবেম্বর ২০ (ৱায়েল কাতি)ঃ** নুপী ওইবীশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবগী পান্দমদা নুপীশিংবু লিগেল রাইটসকী মতাংদা মমুৎ তানা খঙহনবা মথৌ তাই হায়না মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱুমেনগী চেয়রপার্সন থুমলিপ তিন্নিংফম মোন্সাংনা ফোঙদোকখ্রে। মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱুমেন অমদি শ্রীশ্রী গৌরগোবিন্দ গার্লস কলেজগী ৱুমেন সেলনা পুন্না 'লিগেল রাইটস ওফ ৱুমেন' হায়বা হিরমদা নোংমগী ওইবা এৱার্নেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখিবদা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন জজ ওইরন্বী অরিবম নৌতুনেশ্বরিনা রিসোর্চ পার্সন ওইনা শরুক য়াখি। লোয়নননা কলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল কে জাবোরশখিসু থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখি।

## হয়েংগী নোংদম

২১। ১১। ২০২৫

–এষ্ট্রো–কন্সল্টেন্ট হেম

মেষ –ৱাখল লৌশিং থোকপা মতমনি। তৌগদৌরিবা থবক্তা থাজবা থম্মু, মায় পাক্কনি।

বৃষ –লৈতাদবা লৈরম্বশিং কোকচগনি। লল্লোন ইতিক্কী থবক্তা শেল থাদবা মায় পাক্কনি।

মিথুন –পাঙ্গল থোক্না থবক তৌ। মায় পাকপা পীরি। ইমুং মনুংগী মরী ফনবা শেমগৎচৌ।

কর্কট –পুক্নিংগী ঈহুলদা থবক তৌগনু। চাম্মরক হান্না খন্থৌ, শেল মাঙদনবা হোৎনৌ।

সিংহ– অঙম–অথৌশিংগী থৌজাল ফংবা নুমিৎনি। অদুম ওইনমক ঐনা মহেল্লে হায়নদি চৎকনু।

কন্যা –তৌগে নিংবা থবকশিং অপনবা লৈখিগনি। কোক শাবা, পাঙ্গল থোক্তবা পীরি।

তুলা– মরুপ মপাংশিংগগী মরী ফগৎননবা হোৎনৌ। লল্লোন ইতিক্তা শেল থাদবা য়াখিরোই।

বৃশ্চিক –অনা অয়েক লোয়নবা, কোক শাবা, থবক তৌবদা মায় পাক্তবা পীরি। চেকশিল্লু।

ধনু– শেন্থোক লম্বী হেঙ্গৎচনবা হোৎনবদা মায় পাক্কনি। নুপী অঙাংগী মরমদা নিংবা থুংলোই।

মকর – থবক্কী পোৎলুম থাদোকউ। অনৌবা ৱাখল্লোনগা লোয়ননা শেল থাদৌ, কান্নগনি।

কুম্ভ – ৱাখল নুংঙাইতে হায়দুনা নাইতোম তাগনু। ইংথনা থবক তৌরগদি মায় পাকপা লৈ।

মীন – চরাংনবা ৱাখল থাদোকউ। হেঞ্জিন্না থাজবদি থম্লুনু। হকচাং নাদনবা চেকশিল্লু।

মপাল্লমগী পাউ

## নিটিশ কুমার সিএম ওইনা ৱাশক লৌখ্রে

**শ্রিনগর , নবেম্বর ২০(ৱায়েল কাতি)ঃ** জনতা দল য়ুনাইটেদকী লুচিংবা নিটিশ কুমারবু ঙসি বিহারগী চিফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে। পাটনাগী গান্ধি মৈধানদা পাঙথোকপা ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ অমদি জেপি নদ্দা য়াওনা নেস্নেল লিদর কয়ামরুম শরুক য়াখি। হরিয়ানাগী নয়ব সিংহ সাইনি, অসামগী হিমন্ত বিশ্বা সর্মা অমদি নাগালেন্দগী নৈফিয়ু রিও য়াওনা তোক য়াখি। নিটিশ কুমারনা বিহারগী চিফ মিনিষ্টর ওইবা হন্দক্না ১০ রক শুবনি। মহাক্কা লোয়ননা বি জে পিগী এম এল এ ১৭ অমসুং জন্তা দল য়ুনাইটেদকী এম এল এ ৮ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখি। নীংশিংনিংঙাই ওইবা মওংদা নিটিশ কুমারবু ১০রকশুবা ওইনা ৱাশক লৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা উট্টর প্রদেশকী চিফ মিনিষ্টর যোগি অধিত্যনাথনা হায়খি, নিটিশ কুমারগী লীচিং মখাদা দব্বল ইঞ্জিন গভর্নমেন্টনা লৌখৎলকপা থবক থৌরমশিংদা থাজবা থন্বদগী মীয়াম্না মীখল অসিদা এন দি এবু অমুক হন্না মায় পাকহল্লকপনি।

## অহানবা ওইনা অমেরিকাদা ঐচ৫ এন৫ বার্দফ্লু মীওইবদা নাবা থেংনরে

**ৱাশিংতন,নবেম্বর ২০ (ৱায়েল কাতি)ঃ** ৱাশিংতনদা অহানবা ওইনা মীওই অমা মমাঙদা অমুক্তা থেংনখিদ্রিবা বার্দ ফ্লুগী ষ্ট্রেন অমনা ইনফেক্ট তৌবা থেংনখিবদগী পব্লিক হেল্থ ওফিসিয়েলশিংনা অকনবা চেকশিন–থৌরাং লৌখৎখ্রে। অনাবা মীওই অদু কা হেন্না ফিভম শোকচিল্লকপদগী হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরি।ঐচ৫এন৫ পোজিটিভ ওইরবা মীওই অদু লাইহৌ কন্না হৌবগা লোয়ননা নুংশা শ্বর হোনবা ঙমদবা অমসুং ৱাখল নিংথিনা খনবা ঙমদবগী খুদোংচাদবা মায়োক্নরি। ৱাশিংতন ষ্টেটকী দিপার্টমেন্ট ওফ হেল্থনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না ঐচ৫এন৫ হায়রিবা বার্দ ফ্লুগী ষ্ট্রেন অসি হান্নদি শা খক্তদা থেংনবনি। মীওইবদা ভাইরস অসিনা ইনফেক্ট তৌবা হন্দক্না অহানবনি। মীওই অসিনা লোইবা উচেক অনি হন্দক্তা শিখিবদগী হেল্থ ওথোরিতিশিংনা থিজিনবদা বার্দ ফ্লুগী ঐচ৫এন৫ লায়চৎ শন্দোরক্লে হায়বা ময়েক শেংনা খঙবা ঙমখি। অবিয়ান ইন্ফ্লুয়েঞ্জা ভাইরস হায়নসু খঙনবা মহিক অসিনা উচেক অমদি য়ুমদা য়োকপা ঙানু–য়েনশিং নাহনবগী থৌদোক তোয়না থোক্লি। অদুবু মীওইবদা ইনফেক্ট তৌবদি অহানবনি।

## 'শিন্থা লেপ্পীয়ু, সিট ইন প্রোটেষ্টতা শরুক য়াবীয়ুঃ কোকোমি'

**ইম্ফাল নবেম্বর ২০ (ৱায়েল কাতি)ঃ** মণিপুর মচাশিংগী ফংফম থোকপা পুন্নমক মৎলগা থল্লিঙৈগী চৈরক্তা সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোকপীগনু হায়বা লৈঙাক্না তাবীদ্রবনিনা হয়েং মীয়াম্না শিন্থা লেপ্পীয়ু, অদুগা মফম পুন্নমকমক্তা মীয়াম হুপ্না সিট ইন প্রোটেষ্টতা শরুক য়াবীয়ু হায়না কোকোমিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লূপ অসিগী কনভেনর খুরাইজম অথৌবনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, টুরিজম ফেষ্টিভেলগীদমক মীয়ামগী রাইট, ইকাই খুম্নবা অমদি সেক্যুরিতিগী মন্তিক্নবা তৌরোই। হরাও কুম্মৈগী ওইবা থৌরম পাঙথোক্ত্রিঙৈদা মীচম মীয়ামদা ফন্দামেন্টেল রাইটশিং মপুং ফানা ফংহনবগা লোয়ননা নিংতম্না চৎথোক চৎশিন তৌবা য়াহনগদবনি। তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা ইন্টরনেলি দিসপ্লেস পার্সন (আই দি পি) পুন্নমক মশা মশাগী ময়ুমদা অশোয়–অঙাম য়াওদনা হঞ্জিনহনগদবনি। মণিপুরগী মফম পুন্নমক্তা ঈং তপ্পা ফিভম লৈহনগদবনি অমসুং মীচম মীয়ামগী খোল্লাও নমথনবা হোৎনবগী থৌওং খুদক্তা লেপকদবনি হায়না চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

মীয়ামগী অপান্বগী মায়োক্তা প্রসিদেন্ট রুল ঙাক্লা সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোক্নবা থৌরাং লৌখৎপগী মতাংদা চেরোল অসিনা হায়, মীওই লিশিং কয়ানা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিঙৈ অমসুং মপুং ফানা ইং তপ্পা ফিভম হঞ্জিনহন্দ্রিঙৈগী চৈরক অসিদা হরাও কুম্মৈগী থৌরম পাঙথোকপা মীয়ামগী অপান্বা নত্তে। প্রসিদেন্ট রুল লৈঙাক্না মীয়ামগী অপান্বা অমদি খোল্লাও থৌশাদবগা লোয়ননা সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোক্নবা হোৎনরক্লিবা থৌওং অসি য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা হয়েং ষ্টেট অসিগী মফম পুন্নমক্তা মীয়ামনা সিট ইন প্রোটেষ্টকী খোঙজং চঙশিন্নবা ফিরেপ লৌরকপনি। মীয়ামনসু খোঙজং অসিদা মপুং ফানা শরুক য়াবীয়ু। সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা মীয়ামগী ফন্দমেন্টেল রাইট ফংহনবনা হেন্না মরু ওই হায়রি।

## মোহন ভগবট ইম্ফালদা থুংলরে



**ইম্ফাল নবেম্বর ২০(ৱায়েল কাতি)ঃ** রাষ্ট্রিয়া শ্বয়মসেবক সজ্ঘ (আর এস এ) লিংখৎখিবগী চহী ১০০ শুরকপগা মরী লৈননা আর এস এস কী ৱাখল্লোন শন্দোক্নবা সজ্ঘগী লুচিংপুরেল মোহন ভগবট ঙসি নুমিৎয়ুংবা অদুৱাইদা ইম্ফালদা থুংলরগনি।

মহাকপু আর এস এসকী প্রচারকশিংনা এয়রপোর্টতা হরাও তয়াম্না ওকখি। তুংদা এয়রপোর্ট মমাঙ, কোঞ্জেং লৈকায়দা লৈবা ভাসকর প্রভা যোগ এন্দ নেচরোপেঠি সেন্টর দা নুমিৎ হুমনিগীদমক লৈননবা চঙশিনখি। মহাক্না ইম্ফালদা লৈরিঙৌদা প্রোগ্রাম ৩দা শরুক য়ারমগনি। প্রোগ্রামশিং অদুদি, অহানবদা ষ্টেট অসিগী সোসিয়েল লিদরশিংগা উন্নবা, অনিশুবদা ত্রাইবেল লিদরশিংগা উন্নবা অমসুং অহুমশুবদনা চহী ৩০গী মখাদা লৈবা য়ুঠশিংগা উন্নবনি।

মহাক্না ইম্ফালদা লাক্লিবসিগী মরু ওইবা মরমদি ষ্টেট ষ্টেটশিংদা লৈরিবা মীয়ামগা উন্নবা অমসুং আর এস এসকী মরমদা খঙহনবগা লোয়ননা আর এস এস না মতুং তারকপদা লৌরক্কদবা খুন্নাইগী থৌদাংশিংগী মতাংদসু ৱাখল তামিন্নবনি। মহাক্কী খোঙচৎ মনুং অসিদা আই দি পিশিং উন্ননবা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি প্রোগ্রাম অমত্তা শেম্বা লৈত্রি।

## 'কোওপরেটিভ চাওখৎলবদি ৱাৎত–পাদবা লমদম অমা ওইহনবা ঙমগনি'

**ইম্ফাল নবেম্বর ১৪(ৱায়েল কাতি)ঃ** মণিপুরদা কোওপরেটিভ চাওখৎলবদি শেন্মীৎলোনগী ফিভম ফগৎলক্তুনা ৱাৎত–পাদবা লমদম অমা ওইহনবা ঙমগনি হায়না ইন্সটিট্যুট ওফ কোওপরেটিভ মেনেজমেন্ট ইম্ফালগী দাইরেক্টর ডাঃ কেঐচ রামানন্দনা ফোঙদোকখ্রে। কোওপরেটিভ এজ ভেহিকল ফোর অত্মানির্ভর ভারত হায়বা হিরমদা চয়োল অমা চুপ্না চথরকখিবা ৭২শুবা কোওপরেটিভ ৱিক লোইশিনবগী থৌরমদা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। কোওপরেটিভ চাওখৎহনবা নত্তনা লমদম অসিগী শোকচিল্লবা শেন্মিৎলোন ফগৎহন্নবগী অতোপ্পা লম্বী লৈতে পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, ৱাৎত–পাদবা লমদম অমা ওইহনবদা মীয়ামগী হিংবগী লম্বী পীনবগীদমক তঙাইফদনা কোওপরেটিভ চাওখৎহনগদবনি। নোংমা নৎত্রগা নোংমদি কোওপরেটিভনা মরম ওইরগা শেন্মিৎলোনগী ফিভম শোয়দনা ফগৎহনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ। অতৈ ষ্টেট অয়াম্বগা য়েংনবদা কোওপরেটিভকী ফিভম শোন্থনা লৈরি হায়খি।

## অরিবা মতমগী মেন্যুস্ক্রিপ্টশিং চেকশিন্না য়োকখৎপা তঙাইফদেঃ আর কে নিমাই



**ইম্ফাল নবেম্বর ২০ (ৱায়েল কাতি)ঃ** অরিবা মতমগী মেন্যুস্ক্রিপ্টশিং য়োকখৎপা তঙাইফদে হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিস্নার ওইরম্বা আর কে নিমাইনা ফোঙদোকখ্রে।

কৈশাম্পাৎতা লৈবা ষ্টেট সেন্ট্রেল লাইব্রেরিগী হোলদা দাইরেক্টোরেট ওফ আর্ট এন্দ কলচরনা নেস্নেল আর্কাইভস ওফ ইন্দিয়া (এন এ আই) ন্যু দিল্লিগা খুৎশম্নরগা মেন্যুস্ক্রিপ্ট য়োকখৎনবগী মতাংদা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা ৱার্কশোপ্তা ৱাফম অসি মহাক্না ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা চিফ গেষ্ট ওইখিবা আর কে নিমাইনা অনৌবা ৱেবসাইট অমা লোঞ্চ তৌখি। নিংথৌ পামহৈবগী মতমদগী চে, উগী মকু অমদি ফিদা ইদুনা থম্লম্বশিং নিংথিনা য়োকখৎমিন্নসি হায়খি।

## মিজোরামদা ম্যান্মার রিফ্যুজি চাদা ৫৮ বাইওমেট্রিক ইনরোল তৌবা লোইখ্রে

**ইম্ফাল নবেম্বর ২০(ৱায়েল কাতি)ঃ** মিজোরামগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট ১১দা লৈরিবা ম্যান্মারগী রিফ্যুজি ৩১,০০০ গী মনুংদা মীওই চাদা ৫৮.১৫ গী বাইওমেট্রিক ইনরোলমেন্ট তৌবা লোইরে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

বাংলাদেশকী চিত্তাগোং হিলস ট্রেকতগী চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা এসাইলম সিক্কর চাদা ১০.৮৪ গী বাইওমেট্রিক অমদি বাইওগ্রাফিক দেতাশিং লৌবা লোইরে হায়রি। মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সকী য়াথং মতুং ইন্না হৌখিবা জুলাই থাদগী মিজোরামদা লৈরিবা ম্যান্মার অমদি বাংলাদেশতগী চঙলকপা রিফ্যুজিশিংগী ইনরোলমেন্ট দ্রাইভ চথবা হৌখিবনি। ফোরেইনর আইদেন্টিফিকেসন পোর্টেল অমদি বাইওমেট্রিক ইনরোলমেন্ট সিষ্টেমগী খুত্থাংদা মীওইশিং অদুগী দেতা খোমজিনখি। ওফিসিয়েল রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না ম্যান্মারগা লোন্না মিজোরামগী চম্ফাই দিষ্ট্রিক্টতা হৌজিক হৌজিক ম্যান্মার মচা ৩১,২১৪ লৈরি। চিত্তাগোং হিলস ট্রেকতগী চঙলকপা বাংলাদেশি ২,৩৫৪সু লৈরি হায়রি।

## 'গভর্নর /প্রেসিদেন্টনা বিলগী এসেন্ট পীবগী মতাংদা অকক্নবা মতম থাবা য়াদে'



**ইম্ফাল নবেম্বর ২০ (ৱায়েল কাতি) ঃ** লেজিসলেচর পাস তৌরবা বিলশিং গভর্নর অমসুং প্রসিদেন্টনা এসেন্ট পীনবগী মতাংদা অকক্নবা মতম থাবা য়াদে হায়না সুপ্রিম কোর্টনা ফোঙদোকখ্রে।

চিফ জষ্টিস বি আর গবাই, জষ্টিস সুরিয়া কান্ত, জষ্টিস বিক্রম নাথা, জষ্টিস পি এস নরসিমহ অমদি জষ্টিস অতুল এস চন্দুরকরগী কন্সটিট্যুসন বেঞ্চনা হায়খি, অকক্নবা মতমগী মনুংদা বিলগী এসেন্ট পীগদবনি হায়বা ৱাফম অসি গভর্নর অমদি প্রসিদেন্টগী মতিক ময়ায়দা খুৎ থিংজিনবনি হায়না লৌফম থোকই।

ইন্দিয়া কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ২০০ গী মখাদা গভর্নরনা বিলশিংগী এসেন্ট পীগদবনি হায়বা ৱাফম লৈরবসু হিরম অসিগী মতাংদা অকক্নবা মতম থাবা চুমদে হায়না বেঞ্চ অদুনা ফোঙদোকখি। কন্সটিট্যুসনগী ২০০ অমসুং ২০১ গী মখাদা গভর্নর অমসুং প্রসিদেন্টনা লৌরিবা থৌদাংদা চুম্মী নৎত্রগা লাল্লি হায়না কোর্টতা শীংনবা য়াদে।

বিল অদুনা এক্ট ওল্লবা মতুংদা লো ওইনা চৎনরবা মতমদা লো অদুগী প্রোভিজনদা য়াওরিবা ৱাফমশিংগী মতাংদা নৌনা রিভিউ তৌবদি অকায়বা লৈতে।

সুপ্রিম কোর্টকী কন্সটিট্যুসন বেঞ্চনা মখা তানা হায়, বিল অমা এসেন্ট পীবগী মতাংদা প্রসিদেন্টনা কোর্টকী এদভাইস লৌবগী মথৌ তাদে। মরম চাদনা কা হেনবা মওংদা মতম থেংথবা থোক্নবদি কোর্টনা মীৎয়েং চঙবা য়াই। অদুম ওইনমক বিল খুদিংমক গভর্নর নৎত্রগা প্রসিদেন্টনা এসেন্ট পীবগী মতাংদা কোর্টনা খুৎ থিংজিনবা তৌরোইদবনি। তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংগী গভর্নরনা সুপর চিফ মিনিষ্টরগী মওংদা তৌনিংবতা তৌবসু য়াদে। ষ্টেট অমদা একজিক্যুটিভ অনিশুনা লৈবা য়াদে হায়না কন্সটিট্যুস্নেল বেঞ্চনা হায়রি।

ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট দ্রৌপতি মুরমুরনা কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ১৪৩(১)গী মখাদা পীখিবা রিফরেন্স অমগা মরী লৈননা সুপ্রিম কোর্টকী ৱায়েল অসি পীখিবনি। কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ১৪৩(১)গী মতুং ইন্না লিগেল অমসুং মীয়ামগা মরী লৈনবা য়াম্না মরু ওইবা হিরমশিংগী মতংদা ৱারেপ লৌরমদাইদা সুপ্রিম কোর্টকী মত লৌবদা অকায়বা লৈতে। হৌখিবা এপ্রিল ১১দা জষ্টিস জেদি পর্দিৱালা অমসুং জষ্টিস মহাদেবনগী বেঞ্চ অমনা তামিল নাদুগী মতাংদা পীখিবা ৱায়েল অমগা মরী লৈননা সুপ্রিম কোর্টকী অনৌবা ৱাফম অসি ফোঙদোরকপনি।

এপ্রিল ১১দা জষ্টিস জেদি পর্দিৱালা অমসুং জষ্টিস আর মহাদেবনগী বেঞ্চনা হায়খি, এসেমব্লিনা পাস তৌরক্লবা বিল অমা গভর্নরনা অকক্নবা মতমগী মনুংদা এসেন্ট পীগদবনি। বিল অমা এসেন্ট পীবগী মতাংদা মতম শাংনা চঙহল্লবদি দিমোক্রেসিগী থবক থৌরমদা অপনবা থোকহনগদবা লৈবনা অকক্নবগী মতমগী মনুংদা গভর্নরনা বিলগী এসেন্ট পীগদবনি হায়রি।

## আই দি পিশিং খুন্দা লৈতাহন্দুনা ইং তপ্পা ফিভম হান্না হঞ্জিনহনগদবনিঃ টি আই এম

**ইম্ফাল নবেম্বর ২০(ৱায়েল কাতি)ঃ** মীওই লিশিং কয়ানা ময়ুমদা হঞ্জিনবা ফংদবগী অৱাবা মায়োক্নরিঙৈ চৈরক অসিদা মণিপুর লৈঙাক্না সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোক্নবা থৌরাং লৌখৎলক্লিবসি য়ানিংদে হায়না থাদৌ ইনপি মণিপুরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মীয়াম্না পাল্লিবসি আই দি পিশিং মশা মশাগী ময়ুমদা হঞ্জিনহন্দুনা ষ্টেট অসিদা মপুং ফানা ইং তপ্পা ফিভম হঞ্জিনহন্নবগী মতাংদা রোদ মেপ অমা পুথোরকপদুনি। হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা টুরিজম ফেষ্টিভেল পাঙথোকপা মতম চাদে। মীওই কয়ানা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিঙৌদা টুরিজম চাওখৎহন্নবনি হায়দুনা সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোকপা য়ানিংদে। শেল থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবনি অমসুং টুরিজম চাওখৎহন্নবনি হায়দুনা ইং তপ্পা পুরক্নবগী থৌরাং নাথৈদুনা থম্লম্বা চুমদে। লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিং মশা মশাগী ময়ুমদা হঞ্জিনহনবগী মহুৎতা ফেষ্টিভেল পাঙথোক্নবা হোৎনবদা হেন্না পুক্নিং চঙবা য়ানিংদে হায়রি।

লৈঙাক্না আই দি পিশিং খুন্দা লৈতাহন্নবগী থৌরাং কয়া লাউথোকখিবগী মতাংদা চেরোল অসিনা হায়, লৈঙাক্না লাউথোরক্লিবা থৌরাংগা ষ্টেট অসিদা ওইরিবা ফিভম অসিগা চান্নদবা কয়ামরুম লৈরে। হৌজিক ফাওবদা ইমুং কয়া খুন্দা লৈতাহনখ্রবগে হায়বা ময়েক শেংনা ফোঙদোরকপা লৈতে। লুপা ক্রোর ১৮০ শীজিন্নদুনা আই দি পিশিংগী য়ুম কয়া য়াম্না শাখ্রবগে হায়বদুসু ময়েক শেংনা পল্লক্তে। ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈরিবা কেম্পশিংদা অৱাৎপগী অৱাৎপা ঙাক্তা ঙাইরে। লুপা ক্রোর ২৫০ চঙনা আই দি পিশিংগী য়াইফনবা থৌরাং লৌখৎকনি হায়রিবসিদসু ময়েক শেংদবা কয়ামরুম য়াওরি হায়রি।

